www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15, 038
22 Carat/g : ₹ 13,775
1 Kg Silver : ₹ 2,35,000
10 Gram Silver : ₹ 2,220
WEATHER: Partly cloudy
Temperature 28/18°C
Sunrise: 05:06 AM
Sunset : 04:58 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 293 IMPHAL, SUNDAY, OCTOBER 04, 2026 মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ নোংমাইজিং, লাংবনগী ২৩/২৪ নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পুন্সিসি অমুক্তং ফংবনি
চেকশিন্না শীজিন্নসি

## হন্দক্না খ্বাইদগী নোং চুদবা চহী ওইরে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ চহী ১২৫ গী মনুংদা হন্দক্না নোথ ইষ্ট ষ্টেটতা খ্বাইদগী নোং চুদবা চহী ওইখ্রে হায়না ৱেদর দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থাদোরকপা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ১৯০১ গী মতুংদা চৎলিবা চহী ২০২৬ অসিনা খ্বাইদগী নোং চুদবা চহী ওইরে। হৌখিবা চহীশিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

## নিংথম থাদনা শিবগী চাং হেল্লি ঃ রিপোর্ট

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ নিংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবদগী শিবা মীগী মশিং অশাবা মতমদগী নিংথম থাগী মতমদনা হেল্লি হায়না ইন্দিয়ান চেষ্ট সোসাইটিগী ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না নিংথম থা লাকপদা নিংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবনা মরম ওইরগা মী শিবগী চাং অসি চাদা ৩২.৭ ওই। অদুগা অশাবা মতমদনা শিবগী চাং ...মখা লমায় ৫দা...

## এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি মখোয়না তল্লিবা মহৈশিং অসি কদাই ফাওবা শীজিন্নবা ঙল্লবগে হায়বা খঙদোক্লবা লিট্টল মাষ্টর ইংলিস হয়ার সেকেন্দরি স্কুল সমুরৌনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা সাইন্স এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে। স্কুলগী কেম্পসতা ঙসি স্কুল অসিগী ক্লাস সিক্সতগীনা ...মখা লমায় ৫দা...

## এন এস সি এন (আইএম) গী মেম্বর অমা ফাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩, (এস এন এস)ঃ সি দি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথবা সর্চ ওপরেসন অমদা লম্ফেল পি এসকী মনুং চনবা চীংমৈরোং তাঙ্খুল এভিন্যু এরিয়াদগী এন এস সি এন (আই এম)গী মেম্বর ১ ফাখ্রে। ফারবা এন এস সি এন (আই এম)গী মেম্বর অদু চেকনৈচুং চিরু (৪২) এলাইজ অচুং ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

সনখ্যা, মৈত্রবাকসে
পুমচাই হেক চাইদকো



চাইনি, চেদা চীন্দাখক মরৈবাক
নীংবা থৌনা ফবা য়াম্না লৈরি

## হেক্তা হায়জিনবা

### লমকোয় কূম্হৈ

লমকোয় কূম্হৈ
য়েংবিরসু য়াই
য়েংবিদ্রসু কায়দে
লমকোয় কূম্হৈ হায়বনি
লমকোয়বনা য়েংজসনু
লমকোয়বা লাক্ত্রসু কায়দে
পাঙদি পাঙথোক্লেদনা কূম্হৈ
কাইথরেদনা জোম জোম
মান্দব খনবৈ থিকা
মৈ থানবৈ থিকা
জগোয় নেকপৈ থিকা
ঈশৈ শকহনবৈ থিকা
শান্ন–খোৎনহনবৈ থিকা
থিকাই থিকা ঙাক্তনি
শেল–থুমগী ফীভম শোক্লিঙৈ
খরনা কান্নহৌবদি কায়দেনা
হৈজ–শিংজবা কাঙবুনা
লাকপীদ্রসু কায়দে
য়েংবিরসু য়াই
লমকোয় কূম্হৈ।

# মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক পুরুবা পৈশানা লৈঙাক্কী অতোনবা শিংদোক্লগা লৈরম্লেঃ মেঘচন্দ্র

## ‘শেল শীজিন্নবা হৈত্রবা, য়াইফ–থৌরাং পায়খৎত্রবা লৈঙাক মপু ফম থাদোকউ’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক লুপা ক্রোর লীশিং ১১ হেনবা শেনফম পুরগা ক্রোর লীশিং ৯ হেন্না লৈঙাক্কী অতোনবা শেলগী মথোই অমসুং মরেপ ওইনা শিংদোক্লগা লৈরম্লে। শেল শীজিন্নবা হৈত্রবা, য়াইফ–থৌরাং পায়খৎত্রবা লৈঙাক মপু ফম থাদোকউ হায়না সি এল পি লীদর কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা চহী ২০২৪–২৫কী কম্পত্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (সি এ জি)না পীবা রিপোর্টকী মতাংদা ঙসি কোংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা সি এল পি লীদর কৈশাম মেঘচন্দ্রনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী শেন্দোন অসি চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৪–২৫তা ষ্টেট লৈঙাক্না সেন্টরদগী লুপা ক্রোর লীশিং ১১, ৫৯৯.০৮ পুই হায়রি। অদুবু য়াম্না ঙক্লিবদি অপুনবা শেনফম অসিদগী মথোই য়াওনা শেল্লেপ শিংদোকপদা লুপা ক্রোর লীশিং ৯,৪২০.৪১ শীজিন্নখি। চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবা পুরুবা শেনফম্না মথোয় ওইনা শিংদোকপা হায়বসি য়াম্না তাইওন্নবা অমনি। মসি ক্রাইম অমনি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী মথোং হুক্তবা থৌওং অসি য়াবা ঙল্লাই। মসিদা চেন্নরিবশিং ফাদুনা কৈশুমশঙদা থমগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০২৪–২৫গী সি এ জি রিপোর্টতা লৈঙাক অসিনা শেল–থুম শীজিন্নবগী ফিভমদা মঙং মরিল তাদবগী খুদম কয়া পীরি। সি এ জিনা পীরিবা রিপোর্ট অসিদা লৈঙাক্না চেনবা য়ারোই। কম্পত্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া হায়বসি কন্সটিট্যুসনেল বোদি অমনি। সি এ জিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০২৪–২৫কী ওইনা ষ্টেট অসিগী অপুনবা বদজেট প্রোভিজন অসি লুপা ক্রোর লীশিং ৩৭,৩৯২.৬৬ ওইখিবগী মনুংদা লুপা ক্রোর লীশিং ৮,৯২৭.৫৫ শীজিন্নখিদ্রে হায়না পল্লি হায়খি।

শেনফম শীজিন্নদবগী চাং অসি চাদা ২৩.৮৮ নি। মসি লৈঙাক্না করিগীদমক শীজিন্নবা ঙমখিদবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহংনি। মসিগী মথক্তা ...মখা লমায় ৫দা...

## সি ই সি গ্যানেস কুমার লৌথোকপগী দিমান্দ এম পি পিনা শৌগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লৈবাক শীনবা থুংনা কোক্রোচ জনতা পার্টি অমদি কোংগ্রেস পার্টি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর গ্যানেস কুমার লৌথোক্কদবনি হায়না তৌরিবা দিমান্দ মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) নসু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া করমজিৎ অরাম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, কোক্রোচ জনতা পার্টিনা ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর গ্যানেস কুমার লৌথোক্কদবনি হায়না হৌখিবা ঈহৌশিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

## টি বি মুখৎনবা হোৎনবদা পূন্নমক্কী থৌদাং চঙইঃগভর্ণর



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদগী ট্যুবরকুলোসিস (টি বি) মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা পূন্নমক্কী থৌদাং চঙই। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং দসু টি বিগী কেসশিং ঙল্লিঙৈদা খঙদোকহৌনবা হোৎনবদা মরী লৈনবা পূন্নমক্না অঙন্বা থৌদাং লৌবা মথৌ তাই হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল টি বি ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম, নেসনেল হেল্থ মিসন অমদি ষ্টেট টি বি সেল, ষ্টেট হেল্থ মিসন, হেল্থ সার্ভিসেস দিরেক্তোরেটনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা ঙসি টি বি পেসেন্ট অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

## লোল ৫গী সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স হাংদোক্লনবা খঙহল্লকখ্রে

*ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তা লৈরবা লোল ৫গী সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স হাংদোক্লনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ এদুকেসন, দিপার্টমেন্ট ওফ হয়ার এজুকেসন লেংগ্বেজ দিভিজননা খঙহল্লকখ্রে।*

*চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা ওক্টোবর ১ দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স হাংনবা খঙহল্লকখ্রবা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ ৫ অদুদি অসামিজ, বেঙ্গালি, মরাঠি, পালি অমদি প্রাকৃতনি। ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা টেজপুর য়ুনিভর্সিটিদা অসামিজ, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিশ্ব ভারতি য়ুনিভর্সিটিন্দা বেঙ্গালি, মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা দেকান কোলেজ পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েট এন্দ রিসর্হ ইন্সটিট্যুটতা মরাঠি, ওড়িষাগী সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিদনা পালি অমসুং গুজরাটকী সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিদা প্রাকৃট লোলগী* ...মখা লমায় ৫দা...

## বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক হুরানবগী লৈঙাক্লি ইন্দিয়া, মণিপুর থুগায়বা নত্তনা অতৈ হৈরোইঃঅলকা




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ বি জে পিগী ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা পাল্লিবা দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক অসি হুরানবনা খূৎলিংবা লৈঙাক্লি। মণিপুরখক্তা নত্তনা ইন্দিয়া পুম্বা থুগায়নবা, অমগা অমগা য়ান্নহন্দবা, হাৎনহনবা নত্তনা অফবা অমত্তা তৌবা হৈরোই হায়না ওল ইন্দিয়া মহিলা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অলকা লম্বানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা পাৎসোই ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ‘ৱুমেন ইম্পৱারমেন্ট ইন পোলিটিক্স’ হায়বা হিরমদা তাওবুং খোক অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা অলকানা মখা তানা হায়, সেন্টর অমদি ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অসি হুরানবশিংনা খূৎলিংবনি। মণিপুরনা মৈ হৌনা চাক্কুনা লৈরগা মীয়ামগী খোল্লাও তাবীবগী মহুত্তা রেদিওদা...মখা লমায় ৫দা...

## জে এফ দিগী দিমান্দ থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি, মতম খরা পীবিয়ুঃ রঞ্জন



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা দিমান্দ লৈঙাক্না লূন্না লৌবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। জে এফ দিনা থাখিবা মতম লোয়রে হায়দুনা বন্দ ব্লোকেদনচিংবা খোঙজং চঙশিনবীদনা দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা মতম খরা পীবিয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোই ডা. সাপম রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

কোন্থৌজমদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা রঞ্জননা মখা তানা হায়, সেন্সস পাঙথোক্তিঙৈ মমাংদা এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়না জে এফ দিনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবা অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক সেন্সস য়েথোকখ্রে। মদুগী ...মখা লমায় ৫দা...

## বি জে পিনা লুপা ক্রোর ১,৪৭২.৮ অদুগা কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ২০৭.১৭ লোম ফংখিঃ রিপোর্ট

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ হন্দক ষ্টেট ৫ অসাম, কেরলম, টামিল নাড়ু, পুদুচেরি অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা মীখলদা দোনেসন ওইনা বি জে পিনা লুপা ক্রোর ১,৪৭২.৮ অদুগা কোংগ্রেস পার্টিনা লুপা ক্রোর ২০৭.১৭ লোম ফংখি হায়না ন্যুজ এজেন্সি পি টি আইগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা চহী ২০২৭ অসিদসু লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৭ হায়বদি গোৱা, উট্টরখন্দ, পঞ্জাব, মণিপুর, উট্টর প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ অমদি গুজরাটদা মীখল পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা ষ্টেট ৭ অসিগী মনুংদা ষ্টেট ৫ দি বি জে পিগী লৈঙাক লৈবা ষ্টেটশিংনি। অদুগা ষ্টেট অনি অমনা আম আদমি পার্টি (আপ) অমদি ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেস (আই এন সি)গী লৈঙাক লৈবা মফমনি।

চহী অসিগী হৌখিবা মার্চ থাদা ষ্টেট ৫ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বি জে পিনা খ্বাইদগী শেল য়াম্না থাদখিবা ষ্টেট অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ওইখি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা মীখলগীদমক লুপা ক্রোর ২৮৬.৯৯ থাদখি। ইলেক্সনগী পব্লিসিটিদা লুপা ক্রোর ২১৭.১৬ শীজিন্নখি। অদুগা লুপা ক্রোর ৬৯.৮৩ লোন্না কেন্দিদেটশিংনা খর্চ তৌখি। অতোপ্পা ষ্টেট ৪ দনা বি জে পিনা লুপা ক্রোর ২৪২ লোম থাদখি। ষ্টেট ৫ অসিদা পুন্না মীখলগীদমক বি জে পিনা লুপা ক্রোর ৫২৯.৩৮ লোম থাদখি হায়রি।

কোংগ্রেসনা মীখল অসিদা ষ্টেট ৫ দা পুন্না লুপা ক্রোর ২৪৮.৫৫ লোম থাদখি। কোংগ্রেসনা ষ্টেট ৫দা থাদখিবা শেনফম অদুদগী বি জে পিনা শুপ্পগী ৱেষ্ট বেঙ্গল খক্তদা থাদখিবা শেনফম লুপা ক্রোর ২৮৬.৯৯ অদুনা হেনবা ঙমখি। মীখল অসিদা সি পি আই (এম) না লুপা ক্রোর ৩৯.০৪ রোম থাদখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিনা লুপা ক্রোর ২৮৬.৯৯ লোম থাদখি অদুগা কোংগ্রেস পার্টিনা মীখলদা শুপ্পগী লুপা ক্রোর ৪২.০৮ লোম খকতমক থাদখি হায়রি।

মীখল অসিদা কেরলাগী ওইনদি কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ১০৫.৩৪ থাদখি। অদুগা বি জে পিনা লুপা ক্রোর ৮২.৬৭ ...মখা লমায় ৫দা...

## পুল্লেন পাৎতগী বাইওমাস লৌথোক্লবা সি এম য়াওনা মিনিষ্টরশিংনা ৱারেপপ্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা চাউরাক্না কিলোমিটর ২০লোম কোনবদা লৈরিবা পুল্লেন পাৎকী বাইওমাসশিং লৌথোক্লবা সি এম খেমচান্দ য়াওনা মিনিষ্টরশিংনা ৱারেপ লৌখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা চীফ মিনিষ্টর্স সেক্রেটরিয়েটতা সি এম খেমচান্দনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীফম অদুদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ)গী থবক থৌরমশিং হেন্না মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙন্নবগী মতাং দসু ...মখা লমায় ৫দা...

## অঙাংশিংবু অফবা লম্বীদা পুনবা হোৎনবদা লোকেল ক্লবশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈঃ অরুনকুমার

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লৈকাই অমদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু অফবা অচুম্বা লম্বীদা পুনবা হোৎনবদা লৈকাই অদুদা লৈরিবা ক্লবকী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না ৱাংখে এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংখে অঙোম লৈকাইদা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব লিংখৎখিবগী ৫৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি ক্লব অসিগী লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুগী মরু ওইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা মখা তানা হায়, লৈকাই অমদা করিগুম্বা পামদবা থৌদোক অমা থোক্লকপদা মফম অদুগী ক্লব ...মখা লমায় ৫দা...

## সঙাই ফেষ্টিভেলনা চাক্লিবা মৈ মুখৎপা ঙম্লোই হায়বসি লৈঙাক্না খঙউঃ দেসাম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপনা চাক্লিবা মৈ মুখৎপা ঙম্লোই হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্না খঙউ। সঙাই ফেষ্টিভেল বোয়কোট তৌবগী খোঙজং অসিদা শৌগৎকনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোই লূপ অসিগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা অকোইজম সুনন্দিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘কম্ম্যুনিটিদা য়ুম্ফম ওইরগা আই পি এস, এম পি এস ওফিসারশিং পোষ্টিং থারোইদবনি’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ কম্ম্যুনিটিদা বেজ তৌরগা আই পি এস অমদি এম পি এস ওফিসারশিং পোষ্টিং তৌরিবা অসি ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। ওফিসারশিং কাঙলূপ ফুরুপ খায়দনা মিক্স তৌদুনা থবক তৌহনবিয়ু। মতম অদুদা আই দি পিশিংসু ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমগনি খল্লি হায়না খুন্দ্রাকপম এ সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## রিসেট্টলমেন্ট তৌদ্রবদি ফ্রি ট্রেদ বোয়কোট তৌগনিঃমৈতে সোসাইটি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ লাঞ্জেন্নরবা আই দি পিশিং মশাগী মফমদা হঞ্জিলহন্দুনা রিসেট্টলমেন্ট তৌদ্রবদি লৈঙাক্না মোরেদা ফ্রি ট্রেদ তৌনবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরিবা অসি বোয়কোট তৌগনি হায়না মৈতে সোসাইটি চুরাচান্দপুরনা অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী নিংথৌজম রামেশনা হায়, আই দি পিশিং মশাগী মফমদা নে–না তানা হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা মোরেদা অয়েৎ অপন লৈতনা ললোন–ইতিক্কী থবক থৌরম পায়খৎনবা থৌরাংলিবা অমদি সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি হায়রিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। আই দি পিশিংগী রিসেট্টলমেন্টকী থবক থৌরম হান্না পায়খৎত্রবদি ফ্রি ট্রেদ বোয়কোট তৌগনি। ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল লৈরিঙৈ মতমদগী হৌনা লাঞ্জেন্নরবশিংবু মশাগী মফমদা মপুং ফানা হঞ্জিলহল্লগনি হায়না ৱাফম কয়া থমখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা হঞ্জিলহনবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ইন্দিয়াগী নোংমৈ বেরেল অমদি বুটকী মখাদা মণিপুর নমথনবা হোৎনবা তোক্কদবনিঃলূপ ৫

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী নোংমৈ বেরেল অমদি খোঙউপ বুটকী মখাদা মণিপুরবু নমথদুনা থন্নবা হোৎনবা তোক্কদবনি। মমিংতগী ওইবা দেমোক্রেসি লৈবগা পাঙ্কক ওইরবা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা টেরোরিজমগী থৌওং চথবা লেপকদবনি হায়না লূপ ৫গী কনভেনর সঞ্জয় শোরোখাইবমনা ফোঙদোকখ্রে।



অমুকো, অমৱোভা, পি এল এম পি এম, কোহর অমদি এম এস এফকী লীচিং মখাদা পিশুম কৈথেলদা ঙসি তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং অদুগা মরী লৈননা সঞ্জয়না পাউমীশিংদা হায়, মণিপুরদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পাৱর্স এক্ট (অফসপা) ১৯৫৮ থমজিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীহাৎ মীপুন্নচিংবা থৌওং কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘হায়র এজুকেসন তম্বা মহৈরোই চাদা ৯ দি সুসাইদ তৌবগী ৱাখল্লোল লৈ’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ হায়র এজুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা লাইরিক তম্বা মহৈরোইশিংগী মনুংদা চাদা ৯ দি সুসাইদ তৌবগী ৱাখল্লোল লৈ হায়না অখন্ননা চথবা ষ্টদি অমদা খঙবা ঙমখ্রে।




রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হায়র এজুকেসন, অফবা করিয়ার অমদি মহৈরোয়শিংনা মঙজরিবা মঙলান থুংনবগীদমক চেন চোংদুনা হোৎনরিবা মহৈরোয় লিশিং কয়াগী মনুংদা য়াম্না শাথিবা মেন্টেলি ষ্ট্রেস অমদি প্রেসর মায়োক্নরি। মসিগী মথক্তা জাৎ–বিজাৎ অমদি নুপী–অঙাং খায়না অচান মীরাই নাইবগী থৌওং চথরবদি অমুক্কা হেন্না কিনিংঙাইগী মশকনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা মহৈরোয়শিংনা সুসাইদ তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা মসিদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবগী পান্দমদা সুপ্রিম কোর্টনা অখন্ননা শেমখিবা নেসনেল টাস্ক ফোর্সকী সর্ভেগী রিপোর্টতা য়াম্না নুংশাথিনিংঙাই ওইবা মশক অমা উবা ফংলকখিবনি। সর্ভে অসিগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী ওইনা পুন্না মহৈরোয় লাক্ষ ২.৪৩ রোমগী মনুংদা চাদা ১৫ দি হৌখিবা থা ৬ লোম অসিদা ষ্ট্রেস অমদি প্রেসর চাউনা লৈখি। অদুগা মহৈরোয় চাদা ৯ লোন্না সুসাইদ তৌনিংবগী ৱাখল্লোল লাকখি হায়বসু খঙবা ঙমখিবনি।

নেসনেল টাস্ক ফোর্স অসিগী অরোইবা রিপোর্ট চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা লাক্লবা য়াই। রিপোর্ট অসিগী মনুংচন্না সর্ভে অসিদা ফংলকখিবা দেটাশিং অদু য়েংলগা করি–করম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎলবদি মহৈরোয়শিংদা সসুাইদ তৌনিংবগী ৱাখল্লোল লাকহল্লিবা অসি ফগনি হায়বগী পাউতাকশিংসু য়াওগনি হায়রি।

সর্ভে অসিগী ষ্টদিদা মহৈরোয় চাদা ৩৪ রোমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘থাক ৱাংনা লৈরম্বা মীতৈ নুপীশিংগী মোরেল ভেল্যু লৈখা তানা চিংথরোইদবনি’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ থাক ৱাংনা লৈরম্বা মীতৈ নুপীশিংগী মোরেল ভেল্যু মীরোল অসিগী নুপী ওইবীশিংনা লৈখা তানা চিংথরোইদবনি হায়না চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সি এল কে)না ফোঙদোরক্লি।

সি এল কেগী জেনরেল সেক্রেটরী শগোলশেম দেবিকানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাক (মণিপুর) খুন্নাই অসি মালেমগী মীয়াম মমাংদা মশাগী তোপতোপ্পা কলচর, ত্রেদিসন অদুগা মোরেল ভেল্যুজগী ...মখা লমায় ৫দা...

## থাদৌ পাষ্টর মীহাৎকা মরী লৈনদেঃআই এম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ চহীসিগী হৌখিবা মে ১৩দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা এম্বুশ চথুদুনা থাদৌ পাষ্টর ৩ হাৎখিবা অদু এন এস সি এন (আই এম)গা মরী লৈনদে হায়না লূপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এন এস সি এন (আই এম)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা মীহাৎ অদুদা সোসিয়েল মেদিয়াদা এন এস সি এন (আই এম)গী কাদরশিংগা মরী লৈনৈ হায়না ক্লেম তৌরক্লিবা অদু য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবা পাউনি। অরানবা পাউ অসিনা মরম ওইরগা লূপশিংগী ...মখা লমায় ৫দা...

## এসিয়ান হোস্পিটালদা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩, (এস এন এস)ঃ লায়েংমলগী শেনফম অয়াম্বা তাদুনা লায়রবা ইমুংগী পেসেন্ট অমবু দিসচার্জ তৌবগী অয়াবা পীরকপদা পেসেন্টগী ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী এসিয়ান হোস্পিটালবু তৌবিমল খঙবা উৎলক্লি।

চহী অসিগী জুলাই থাদা এসিয়ান হোস্পিটালদা পুখৎলক্কুনা থাংমৈবন্দগী শঙলাকপম সঞ্জু কৌবা পেসেন্ট অমা ব্রেনগী স্কল হাংদোক্কুনা লায়েং চথরকখিবনি। থা ৩লোম হেন্না হোস্পিটালদা লৈরকপনা লায়েংমলগী শেনফম অদুক্কী মতিক য়ামখিবদগী দিসচার্জ তৌবা ঙমদনা লৈরকখিবনি। ইমুং মনুংগী অৱাবা অদু য়েংদুনা হোস্পিটাল ...মখা লমায় ৫দা...

[illegible]





[illegible]





[illegible]



[illegible]

# ওসিগী রাষি ফল (০৪-১০-২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এরার্দি)**

*এস্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অশাওবা খৎননিংবা লোয়নরগনি। লম চৎপা, গাড়ী থৌবদি চেকশিনগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**বৃষঃ** হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা পোৎ লৈবা য়াবা। মরুপ মফম ফগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**মিথুনঃ** চানবীবা নুংশিবীবা, মতেং পীবীবা হেনগৎপা ওইরগনি। লম্লানবশিংনা চানবীবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবিবা, শেল পীথোক পীশিন দা হৈশিংবা ফগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**সিংহঃ** শাউদবা ৱারৌবা লোয়নরগনি। খৎনদনবা হোৎনজগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। থৌরমদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**কন্যাঃ** হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজবদি অফবা ফল ফংলগনি। য়েংশিনবা য়াম্লগনি। চৎথোক চৎশিন্দা হৈশিংগনি। মীগী মতেং পাঙলুদবা ফগনি।।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – চরাংনগনি।

**তুলাঃ** ৱাখল চরাংনগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। অরাপ্পা চৎপা চেকশিনগনি। তিন্নবশিংনদি ওইজবা লৌখিগনি। চেকশিল্লু।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – পূক্লিং লাংতক্লগনি।

**বৃশ্চিকঃ** থৌরম খরদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা, মরুপ মফম ফগৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, লমতু চৎপা কান্নবা। ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**ধনুঃ** ৱাখল মুন্না খন্থরগা থবক তৌবা তাবনি, শাউদবা ফগনি, লুচিংবশিং লম্লানবশিংনা চানবীরগনি, পোৎ লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙলোই।

**মকরঃ** চরাংনবা, নুংনাংবা, পুক্লিং পোত্থাফম খঙদবা ওইরগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি। চানবীবা নুংশিবীবা লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**কুম্ভঃ** থবক পাঙথোকপা, শেল ফংবা, চাংয়েংনবদা অফবা ফল ফংবা। মিংচৎ হেনগৎপা, লুচিংবশিংনা নুংশিবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**মীনঃ** হিরম খুদিংমক্তা মায় পাকচবা, শেল ফংবা, মকোক ওইবশিং, লম্লানবশিংনা চানবীবা, মতেং পীবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

## SANALEIBAK QUIZ - No. 27

*Sanaleibak Quiz will publish in every Sunday. It is in the interest of the students and people of Manipur. The answers can be sent through* ***whatsapp No. 8830812368*** *within 10th October, 2026. Answers of the Quiz will be published on 11th October.*

Q. 1. What is the national sport of Japan?
Q. 2. What sporting event has a strict dress code of all white?
Q. 3. Who was the world's highest-paid athlete in 2023?
Q. 4. What is a group of crows called?
Q. 5. What animal has the longest tongue?

***Answers of the Sanaleibak Quiz No. 26 (27-09-2026)***

Ans. 1. Dove.
Ans. 2. The common swift.
Ans. 3. Hippopotamus.
Ans. 4. Elephant.
Ans. 5. O negative.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1097**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | 3 | | | 4 | 1 | |
| | 5 | | 2 | | | 8 | 7 | |
| | 4 | | | | 1 | | 2 | 6 |
| 2 | 3 | | | | 6 | | 4 | |
| | 6 | 4 | | 1 | 2 | | | |
| 7 | | 8 | | 4 | | | | 1 |
| | 1 | | | 2 | | | 8 | |
| 6 | | | 4 | | | | | 2 |
| 4 | | 7 | | 8 | | 6 | | |

সনা-সুদোকু-১০৯৭গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# ভারতিয়া ন্যায় সনহিতা লৈবাক অসিদা মপুং ফানা চৎনরবদি এফ আই আরদগী হৌরগা সুপ্রিম কোর্টকী প্রোসিদিং চহী ৩গী মনুংদা লোইশিনবা ঙমগনি



ভোপাল, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা ভারতিয়া ন্যায়া সনহিতা (বি এন এস) মপুং ফানা চৎনবা হৌরবদি ক্রিমিনেল কেস কয়াগী এফ আই আরদগী হৌরগা সুপ্রিম কোর্টকী প্রোসিদিং চহী ৩গী মনুংদা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী অনৌবা ক্রিমিনেল লোগী মতাংদা ভোপালদা পাঙথোকপা ইকজিবিসন হৌদোক্লবা মতুং ষণ লোইবগী মতাংদা পাঙথোকপা ষ্টেট লেবেল কনফরেন্সতা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা।

কোওপরেসন অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়, লৈবাক অসিগী ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম অসি অমদা মতম য়াম্না থিন্থনা চঙবগীদমক খঙনরম্মি। অদুবু ঙসিদি ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমগী মতাংদা অহোংবা কয়া লাক্লে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না ভারতিয়া সনহিতা হায়না মিংথোনবা অনৌবা ক্রিমিনেল লো কয়া শেমখিবা অসি লৈবাক অসিদা মপুং ফানা চৎনবা ঙল্লবদি ক্রিমিনেল কেস কয়া এফ আই আরদগী হৌরগা সুপ্রিম কোর্টকী প্রোসিদিং ফাওবা চহী ৩গী মনুংদা লোইশিনবা ঙমগনি।

হোম মিনিষ্টর অমিত সাহানা মখা তারদুনা হায়, মতম অমদা বৃটিশনা শেমখিবা লোশিং অদু মতম অদুগী বৃটিশকী লৈঙাক অমদি শাসনবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী পান্দমদা শেমখিবা ঙাক্তনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অসিনা লৈবাক মীয়ামগী দিগ্নিটি ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক অনৌবা ক্রিমিনেল লো ইন্ট্রোদ্যুজ তৌখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নৌনা পুথোক্লিবা ক্রিমিনেল লো অসি সুন্নতগী মরাল লৈবা মীওইশিংদা চৈরাক পীনবগী পান্দম খক্তদা পুথোকখিবা লো অমা নৎতে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না নৌনা পুথোক্লিবা লো অসি লৈবাক মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী পান্দমদা পুথোকখিবা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অমনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না নৌনা পুথোক্লিবা ভারতিয়া ন্যায়া সনহিতা (বি এন এস) অসি মপুং ফানা চৎনবা হৌরবদি ইন্দিয়াগী ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম অসি মালেমগী ওইনা মতমগা চুন্নবা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ষণ লোয়বগী মতাংদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অদুগী মতাংদা পল্লদুনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লাকপদগী লৈবাক অসিদা কোওপরেটিব মিনিষ্ট্রি লিংখৎখিবনি। মিনিষ্ট্রি অসিনা লৈবাক অসিগী ষণ লোয়বা য়াল্লবা মীওই কয়াদা কান্নবা পীরি। নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিদা শঙ্গোমগী পোখোক হান্নগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক হেনগৎলকখ্রে।

লৈবাক অসিনা নিংতম্বা ফংলবা মতুং ইং ২০১৪ ফাওবা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রকপদা শেনবা চহী ২০১৪–১৫দা লৈবাক অসিদা শঙ্গোমগী পোথাক ১৪.৭ ক্রোর টোন খক ওইখি। অদুবু নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক লাকপদগী চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী শঙ্গোমগী পোখোক ২৫ ক্রোর টোন য়ৌখ্রে। মোর্দন টেক্নোলোজিগী মতেং লৌদুনা লৈবাক অসিগী ষণগী ব্রিদ হেন্না কনখৎহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। লাক্লিবা চহী ২০৪৭গী ওগষ্ট ১৫ ফাওবদা হিরম খুদিংমক্তা মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মকোকথোংবা লৈবাক অমা ওইবা ঙল্লগনি হায়নসু হোম মিনিষ্টর অমিত সাহানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘খুন্নাইবু য়োকখৎতুনা থন্নবা হোৎনবদা শেনমিৎলোনসু মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই’




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): তিনজং কায়জংদবা মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমা থন্নবা হোৎনবদা শেনমিৎলোনসু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট সি পি রাধাকৃষ্ণননা ফোঙদোকখ্রে।

রিসিলিয়েন্স ইন এন এস ওফ ফ্লকসা হায়বা থিমদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ৫শুবা কৌতিলয়া কনক্লেবতা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ভাইস প্রসিদেন্ট সি পি রাধাকৃষ্ণননা হায়, তোঙান তোঙানবা হিরমদা মালেমগী ওইনা লেপ্পা লৈতনা হোংলক্লিবা ঈচেল অসিদা লৈবাক অসিগী খুন্নাইরোল অসিবু তিনজং–কায়জংদবা, ৱাৎত–পাদবা অমা ওইনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোন অসিসু হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই।

লৈবাক অসিগী গ্রাউন্দ রিয়েলিটি মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনদুনা মথৌতাবা পোলিসি কয়া শেন্নবা মতম খক্তদা লৈবাক অসিগী খুন্নাইলোন অমসুং শেনমিৎলোন মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিদা মতমগী মতুং ইন্না খূমাঙ য়াঙনা চেল্লিবা খুন্নাইগী অহোংবা অসি মমুৎ তানা নৈনদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না য়েৎনবা য়াওদনা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌদুনা খুন্নাই অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবা হায়বা অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী মরুওইবা থৌদাং অমনি।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইনা দিবেট এন্দ দিস্কসন অসি য়াম্না মরুওই। অদুবু মীয়াম্না ৱারেপ লৌবা মতমদা মীয়াম পুন্নমক্না য়াগদবা ৱারেপ ওইগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা দেমোক্রেসি অমদি দিভলপমেন্ট তুনা চৎমিন্নবা য়াই হায়বা উৎলি। ইন্দিয়াগী লৈরিবা দেমোক্রেটিক ফ্রেমৱার্ক অসিগী মনুংদা শেনমিৎলোন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈবাক অসিদা ইনক্লুসিব প্রোগ্রেস লাকপা ঙল্লে হায়নসু ভাইস প্রসিদেন্ট সি পি রাধাকৃষ্ণণনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়া–রসিয়াগী লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা মরী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কন্সলটেটিব মিটিং পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমদি রসিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসনসিপ অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হিরমদা হেন্না থবক তৌনবগী পান্দমদা এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা চিয়ার লৌদুনা কন্সলটেটিব মিটিং পাঙথোকখ্রে।

এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়, ইন্দিয়া অমদি রসিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসনসিপ অসিগী মতাংদা কন্সলটেটিব মিটিং ফমদুনা ৱা তান্নখ্রে।

ৱা তান্নবা অদুদা ট্রেদ, ইনভেষ্টমেন্ট, ইনর্জি, কনেক্টিভিটি, কলচর অমসুং পি টু পি দোমেন য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা খন্নখি।

অসিদা নৎতনা রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লীক অসি দাইলোগ অমসুং দিপ্লোমেসিগী খোঙথাং লৌখৎতুনা লোইশিন্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রসিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা তকশিনখি।



পনবা য়াবদি মতম কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রসিয়াদা ওটো, ফার্মা, ফুদ, মেরিন প্রদক, ইঞ্জিনিয়ারিং গুদস, কেমিকেল অমসুং টেক্সটাইলনচিংবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী পোথোক কয়া এক্সপোর্ট তৌনবা লেপ্তনা হোৎনদুনা লাক্লি।

অসিদা নৎতনা ইন্দিয়াগী খূৎশা হৈরবা স্কিল ৱার্কর ৭০,০০০ কনষ্ট্রকসন অমসুং লোজিষ্টিককী লমদা রসিয়ানা থবক পীগনি হায়না চহী অসিদা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

# এস আই আর নিয়ম চুন্না পাঙথোকখিদবগী ৱাথোক মায়োক্নরিবা ষ্টেটশিংদা মীখল পাঙথোক্তুনা শেমখিবা এসেমব্লি দিজোল্ব তৌগদবনি

কলাবুরাগি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) নিয়ম লান্না পাঙথোকখিদে হায়না তোঙান তোঙানবা ৱাথোক মায়োক্নরিবা, হৌখিবা চহী ২০২৩দগী এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা শেমখিবা ষ্টেট এসেমব্লিশিং দিজোল্ব তৌগদবনি হায়না এ আই সি সিগী প্রসিদেন্ট ওইবতা নৎতনা রাজ্য সভাগী ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা মল্লিকার্জুন খরগেনা দিমান্দ তৌখ্রে।



এস আই আরগী মতাংদা হৌখিবা থা ১০ অসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারনা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক ইলেক্সন কমিস্নার ওইনা লৈরিবা ই সি আইগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েল অনিনা তাঙ্কক ১৪রক থোক্না য়ানিংদবগী ৱাফম পুখৎখি হায়না পল্লদুনা পাউমীশিংগা উন্নবদা মাল্লিকার্জুন খরগেনা হায়, লৈবাক অসিদা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন পাঙথোক্লবা হৌখিবা চহী ২০২৩গী দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লো অমা পাস তৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা চীফ ইলেক্সন কমিস্নারনা লৈবাক অসিগী লিগেল প্রোসিদিওর থুগাইবগী অকিবা য়াওদনা এস আই আরদা অরানবা থৌওং কয়া চথহনখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ রিজাইন তৌগদবনি। অসিদা নৎতনা এন দি এ লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার অমসুং ইলেক্সন কমিস্নার লৌবগী মতাংদা লৈরিবা সেলেক্সন পেনেলদগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া বু লৌথোক্তুনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মহুৎ শিনখ্রে হায়নসু এন দি এ লৈঙাক্কী মথক্তা মরাল শীরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগী অশোয়বা দিসিসন অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা এস আই আরগা মরী লৈননা ৱাথোক কয়া থোকপনি। অরানবা থৌওং কয়া চথদুনা এস আই আর পাঙথোক্লবা মতুং মীখল পাঙথোকখিবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লি খুদক্তা দিজোল্ব তৌদুনা নৌনা মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়নসু মাল্লিকর্জুন খরগেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



# Crossword # 1160

Across
1. Drifting above
6. Great number
10. Basketballs, but not footballs, e.g.
14. Hermit
15. What she is in Madrid
16. Passion
17. Computer timesaver
18. Invasion date
19. Bancroft of "The Graduate"
20. An oboe, perhaps?
23. Were now?
24. Mature acorn
25. Certain former senior
29. He was Bjorn to serve?
31. Baden-Baden, e.g.
34. Novelist Jaffe
35. Lanky
37. Language for the masses
39. Grocery shopper's claim?
42. First-rate
43. Medicinal herb
44. Diet section word
45. D.C. time
46. Cinematic explorer Jones, for short
48. Some game sites
50. Eastern title
51. Had something
52. Stuffing the onion?
61. Strike zone?
62. Nautical prefix?
63. Carpenter who sang
64. Related
65. Kettle or snare
66. Author Zola
67. Barber's call
68. Sounds of unhappiness
69. Needs another way?

Down
1. ___ mater
2. Kind of shark
3. Single time
4. Nonflowering plant
5. Type of horse
6. Color over
7. Last name in classic TV sitcoms
8. Love handles, really
9. Twelfth U.S. president
10. South-central mountain range
11. Mr. Descartes
12. Downfall
13. Vehicle on runners
21. Speechify
22. American symbol
25. Get up
26. Activity center
27. Not appropriate or suitable
28. Pride of lions?
29. Type of goat
30. Informed about
31. Mug
32. Michelangelo sculpture
33. Pays to play
36. Word with master or waiter
38. Equal to the task
40. Mrs. Odin
41. Moor
47. Water nymphs of mythology
49. Stank
50. Word with secret or press
51. Smashable items
52. Scheme
53. George or Victoria
54. Alternative to Windows
55. Successor to Claudius
56. Food on the ranch
57. Like a poor excuse
58. Ireland, poetically
59. Congers
60. Dummy's perch

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# বি জে পিনা ই সি আই নৎত্রগা সি ই ওগী ৱাঙাঙলোয় ওইনা থবক তৌরিবা করিগীনো

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজনদা ফোর্ম নম্বর ৭গী মতাংদা অরানবা থৌওং কয়া চথখি হায়না লৈবাক ৱাথোক ওইরিঙৈ চৈরক অসিদা কর্নাতকাগী মিনিষ্টর প্রিয়াঙ্ক খরগেনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না করিগীদমক্তা ই সি আই নৎত্রগা সি ই ওগী ৱাঙাঙলোই ওইনা থবক তৌরিবা করিগীনো হায়না হংলক্লি।

কোংগ্রেস পার্টিনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারগী ওফিসতা চৎতুনা সি ই ও উন্নবগী মতাংদা করিগীদমক্তা বি জে পিনা নুংনাংলিবা করিগীনো। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা য়ানিংদবগী ৱাফম কয়া লৈরবসু বি জে পিগা করি মরি লৈনবগে, মখোয়গী মায়কৈদগী য়ানিংদবা লৈরবদি কম্পেন তৌবা হায়বা অসি হৌনশানি, করিগীদমক্তা বি জে পিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া নৎত্রগা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারগী ৱাঙাঙলোই ওইনা থবক তৌরিবনো হায়না পাউমীশিংগা উন্নবদা প্রিয়াঙ্ক খরগেনা ফোঙদোকখি।

# কেপ্টেন স্মিদ মসরদা অশোক চক্র পীনবা এ বি ভি পিনা দিমান্দ তৌরক্লি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): অখিল ভারতিয়া বিদ্যাথি পরিষদ (এ বি ভি পি)গী নুমিৎ নীনিগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ২দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা অরুনাচল প্রদেশকী ইতানগরদা পাঙথোকখ্রে।

এ বি ভি পিগী ওল ইন্দিয়া ওফিস বিয়াররশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কেপ্টেন স্মিদ মসরনা পেসেঞ্জরশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনবদা মথ্বায় পামুবা তৌদনা থৌনা ফনা থেংনখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা পিছ টাইম গেলেন্টরি এৱার্দ অমা ওইরিবা অশোক চক্র পীদুনা কেপ্টেন স্মিদকী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মথক্তা তকশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

সনা–সুদোকু–১০৯৭গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | 2 | 3 | 6 | 8 | 4 | 1 | 5 |
| 1 | 5 | 6 | 2 | 9 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 1 | 9 | 2 | 6 |
| 2 | 3 | 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 5 | 6 | 4 | 8 | 1 | 2 | 3 | 9 | 7 |
| 7 | 9 | 8 | 5 | 4 | 3 | 2 | 6 | 1 |
| 3 | 1 | 5 | 6 | 2 | 9 | 7 | 8 | 4 |
| 6 | 8 | 9 | 4 | 3 | 7 | 1 | 5 | 2 |
| 4 | 2 | 7 | 1 | 8 | 5 | 6 | 3 | 9 |

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ




খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ৭দা

# চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা ইন্দিয়াগী এম আর এফ এ দিল তৌনরবা য়াই: আই এ এফ চীফ



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী অরোইবা তাঙ্কক্তা মতম কুইনা ঙাইহন্দুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী মল্টি–রোল ফাইটর এয়ারক্রাফ (এম আর এফ এ)গী দিল অমা খূৎয়েক পীনরবা য়াই হায়না চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ, এয়ার চীফ মার্সেল এ পি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী দিফেন্সকী লমদা খ্বাইদগী চাওবা দিফেন্স ইক্যুজিসন প্রোগ্রাম অমা ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা ইন্দিয়া অমদি ফ্রান্স লৈঙাক্কী মনুংদা য়ান্নদুনা ইন্দিয়ানা ১১৪ রাফেল ফাইটর জেট এক্রায়র তৌবগী য়ান্নখিবা অমসু লৈখ্রে। চহী ২০ রোম অসি ইন্দিয়াগী এয়ার ফোর্সকী কোম্বেদ কেপেবিলিটি হেন্না কনখৎহন্নবগীদমক ১১৪ রাফেল ফাইটর জেট এক্রায়ার তৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

এয়ার ফোর্স ডেগী মাঙওইননা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা এয়ার চীফ মার্সেল এ পি সিংহনা হায়, এদভান্স মেদিয়ম কোম্বেদ এয়ারক্রাফকী প্রোগ্রাম অসি থিন্থখিবা তারবদি অতোপ্পা প্লেটফোর্ম অমা শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী এয়ার ফোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বা অসি য়াম্না মরুওই।

রসিয়াগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা সু–৫৭ জেট এক্র্যার তৌনবা ওফর পীরকপদি লৈরে। অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ওইনা চপ চাবা ৱারেপ অমত্তা লৌদনা লৈরি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা লাক্লিবা চহী খর অসিদা মতমগা চুন্নবা হায় এদভান্স টেক্নোলোজি য়াওবা এয়ারক্রাফ য়ামদ্রবদা ৩৬তগী ৪০ ফাওবা মথৌ তারি। লৈবাক অসিগী মিলিটরি ষ্ট্রেঙ্ক মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা এয়ার পৱারসু লেপ্তনা মপাঙ্গল কনখৎহবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নোইদাদা লৈবা বিল্ডিং অমগী ৪৩শুবা ফ্লোরদগী চোংথদুনা মীওই অমা শিখ্রে

নোইদা, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): নোইদাগী সেক্টর ৯৪দা লৈবা সুপরনোভা সোসাইটিগী বিল্ডিং অমগী ৪৩শুবা ফ্লারদগী মীওই অমা চোংথদুনা শিখ্রে।





থৌদোক অসিগী মতাংদা অহানবগী ওইনা ফংবা ইনফোর্মেসনদা মথোল ৪৩ ৱাংবা ফ্লোরদগী চোংথদুনা লৈখিদ্রবা মীওই অদু ঙরাং সুপরনোভা সোসাইটি বিল্ডিং অসিগী কা অমা বুক তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অনওফিসিয়েল ওইবা পুলিসকী সোর্স অমনা হায়, লৈখিদ্রবা মীওই অদু মশাগী ওইবা পার্সোন্নেল ইসুনা মরম ওইরগা অৱাংবা ৪৩শুবা ফ্লোরদগী চোংথদুনা লৈখিদবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদু অৱাংবা ৪৩শুবা ফ্লোরদগী চোংথবা লৈখিদবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাং অদু অনি থোক্না মতৎ–মতৎ তৎখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মরীলৈনবা পুলিস ষ্টেসনননা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে হায়রি।

## ঙসিগী পাখোংগী পাউখুম

১০০৮– অরামদার (উ নানবা)।
১০০৯– উতাংবী পাম্বী।
১০১০– হিদাক থকপা।
১০১১– তোচলাইট
১০১২– লালতেন।

# চহী ৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

থানে, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোম অমা ওইরিবা ফেসবুকতা শাশিন্নবা ফেক একাউন্দ হাংদুনা চহী মপুং ফাদ্রিবা ইনখৎলক্লিবী নুপী মচা অমা অমদি মহাক্কী মমানবীশিংদা ফিরোল থোন্দবা ফোটো, ভিদিও অমদি টেক্স মেসেজশিং থাজিন্দুনা ওৎ–নৈবগী মরালদা থানেগী স্পিসিয়েল পোক্সো কোর্টনা মীওই অমা চহী ১ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

পোক্সো এক্টকী মখাদা চহী ৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক ফংখ্রবা মীওই অদুদি মঙ্গেস ইসোরদাস কৌই। মহাক অধিলয়ানাগর দিষ্ট্রিক্টকী রাহুরিদগীনি হায়রি।

# এল আই সিগী হান্নগী চীফ চার্জসিট পানখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): লাইফ ইন্স্যুরেন্স কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী চীফ ইনভেষ্টমেন্ট ওফিসার ওইরম্বতা নৎতনা রিলায়েন্স কম্যুনিকেসন লিমিটেদ (আর কোম)গী গ্রুপ একজিক্যুটিবসু ওইরম্বা মীওই অমগী মথক্তা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম মীয়ামদা নমথাক তৌবগী মরালদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা চার্জসিট পানখ্রে।

সি বি আইগী ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০১২তা এল আই সিনা রিলায়েন্স কম্যুনিকেসন লিমিটেদতা অরানবা শেমজিন শাজিনবা ৱাফম কয়াদা য়ুমফম ওইরগা লুপা ক্রোর ১,৫০০ ইসু তৌখি হায়বা খঙবা ঙল্লে হায়রি।

# বস মথক মখা ওনবদা নুপী ৪ লৈখিদ্রে

হায়দরবাদ, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): টেলঙ্গনাগী ভিকারাবাদ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা প্রাইভেট বস অমা মথক মখা ওনবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা নুপী ৪ লৈখিদ্রে। মীওই ৩০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কেসারাম খূঙ্গংগী খুঞ্জাশিংনা চিন্তাকুন্দা মী লৈতবগী থৌরম অমা য়াওনবগীদমক বস অমা ৱাইদুনা চৎপগী লম্বীদা থোকখিবনি হায়রি।

# কুনশুবা এসিয়ন গেমস ২০২৬: দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু রন ১৯দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

**Medal Tally**
**20th Asian Games**
**Aichi-Nogoya 2026**

| Country | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|
| PR China | 169 | 89 | 83 | 341 |
| Japan | 83 | 95 | 91 | 269 |
| South Korea | 39 | 43 | 68 | 150 |
| India | 21 | 27 | 37 | 85 |
| Uzbekistan | 21 | 25 | 24 | 70 |
| Iran | 19 | 18 | 15 | 52 |
| Thailand | 18 | 13 | 21 | 52 |
| Kazakhstan | 12 | 24 | 48 | 84 |
| Hong Kong | 11 | 19 | 24 | 54 |
| Bahrain | 11 | 5 | 6 | 22 |
| Malaysia | 9 | 7 | 16 | 32 |
| North Korea | 7 | 13 | 9 | 29 |
| UAE | 7 | 4 | 1 | 12 |



মোকি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি)ঃ

জপান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ তা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্রিকেট ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু রন ১৯দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইদুনা ইন্দিয়াগী ১৯শুবা গোল্ড মেদল লৌদুনা গেমস অসিগী টেবল টেল্লিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২১, সিলভর ২৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩৭ য়াওনা পূন্না মেদল ৮৫ লৌদুনা মরিশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা হান্না বেটিং তৌবদা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২১১ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা পাকিষ্টাননা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা ১৯২ খক লৌবদগী ইন্দিয়াগী মখুৎতা রন ১৯দা মায়থিদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী বেটিং অদুদা ওপনর অভিসেক শার্ম্মানা বোল ২৮ মায়োক্নবদা ফোর অমসুং সিক্স ৭ য়াওনা রন ৬১ অমদি তিলক ভর্মানা নোট আউটতা বোল ২২দা ফোর ৩ অমসুং সিক্স ৪ য়াওনা রন ৫১ লৌদুনা মখোয় অনীমক হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা ভাইভব সুরয়াভান্সিনা বোল ৯দা রন ১৫, শ্রীয়াস আইয়রনা বোল ২৪দা রন ২১, ইশান কিষননা বোল ১৮দা রন ২০ অমসুং সিভম দুবেনা বোল ১৫দা রন ২৭ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা রন ২১১ শুহনবদা রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটচমেনশিং ওইখি।

পাকিষ্টানগী বোল্লিংদা অহামদ দানিয়ালনা ওভর ৩ লংবদা রন ৪৩ পীরগা ৱিকেট ২, অরাফট মিনহাসনা ওভর ৩দা রন ২৫ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি সাইম অয়ুব অমসুং অবরার অহামদনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

পাকিষ্টানগী বেটিংদা হাসন নৱাজনা বোল ৫১দা ফোর ২ অমসুং সিক্স ১ য়াওনা রন ৯৬ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙমখ্রবসু মখোয়গী অতোপ্পা বেটচমেনশিংনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিনা নীংথিনা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমহনখিদে।

সহিবজাদা ফরহাননা বোল ১১দা রন ১০, মাজ সাদকটনা বোল ১৮দা রন ২৩, সাইম অয়ুবনা বোল ২২দা রন ১৯ অমসুং সাদ মাসুদনা বোল ৫দা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা অক্সর পতেলনা ওভর ৪ লংবদা রন ২৯ পীরগা, ৱাসিংতন সুন্দরসু ওভর ৪ লংবদা রন ২৯ পীরগা অমদি সিভম দুবেনা ওভর ৩ লংবদা রন ৩৩ পীরগা মখোয় অহুমক্ক ৱিকেট ২ / ২ লৌবা ঙম্মখি।

পনবা য়াবদি এসিয়ন গেমস ২০২৬তা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়া অমদি অফগানিষ্টানগী মেটচ নোং তাবদগী ইন রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া সেমি ফাইনেল চঙদুনা শ্রীঙ্কাগা শান্নখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু রন ২১৪দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখি।

## ইন্দিয়ান মেন'স হোক্কী টিমনা মালেসিয়া মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখ্রে

মোকি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি)ঃ

জপানগী আইচি-নাগোয়াদা শান্নখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬কী মেন'স হোক্কী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা পাঞ্জল ৫-১দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মালেসিয়াবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা ২০২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক গেমসকী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা ঙসি লৌখিবা লৈবাক অসিগী এসিয়ন গেমসকী মঙাশুবা গোল্ড মেদল অসিগী মথক্তা ৱুমেন'স হোক্কী ইভেন্টদসু ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কী টিমনা গোল্ড মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরখ্রবনি।

হরমনপ্রিট সিংহনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা আর্ক রাইবেল পাকিষ্টানবু সেমি ফাইনেলদা ৪-৩দা মায়থিবা পীদুনা মালেসিয়াগী ফাইনেল মেটচতা লম্বা পান্নখিবনি।

অহানবা ক্বার্টরদা হরমনপ্রিট সিংহনা পেনাল্টি কোনরদগী গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখ্রবসু সুপ্নতগী মিনিট ৩গী মনুংদা মালেসিয়ানা ইক্বেলাইজিং গোল চনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী সিলানন্দ লক্রানা বোক্সকী মনুংদা য়াম্না ফজরবা পার্ফোমেন্স পীরিঙৈ মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা ফাউলনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা পেনাল্টি কোনর ফংখি। পেনাল্টি কোনর অদু হার্দিকনা গোল ওন্থোক্লুনা মেটচ অদু মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবা মতুং হার্দিক অমুক হন্না পেনাল্টি ষ্ট্রোক্তা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল চনখি।

মরিশুবা ক্বার্টরদা লাক্রানা ইন্দিয়াগী মরিশুবা গোল চল্লবা মতুং স্কিপর হর্মনপ্রিট সিংহনা মঙাশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অসিদা মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা মালেসিয়াগী গোল্ড মেদল মঙফাওনবা ঙমদনা নিংবা কায়হনখি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ২৬তগী ৩১ ফাওবা নগালেন্দনা শীন্দুনা নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিতা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুমেন টেবল টেন্নিস অমদি দিসেম্বর ২১দগী ২৪ ফাওবা অসামনা য়ুম্বু ওইদুনা হাথখোৱাপরা অজারাদা লৈবা গিরিরনন্দন চৌধরি য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭তা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম শেমখ্রে।

এম য়ু নুপাগী টেবল টেন্নিস টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি বিরামঙ্গোল কোলেজগী অথোকপম বাইরল, শিদার্থ নাওরেম, খা মণিপুর কোলেজতগী চিঙ্খো ময়াংলম্বম অমসুং নোংমাইথেম ভাগিরাজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নিংঙোম্বম হেরোজিৎনি।

রিজাভ প্লেয়র ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী লাইলুবে গ্লেদি ন্যুমী অমসুং রাজকুমার কেনিশনি।

নুপীগী টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি খা মণিপুর কোলেজতগী থোইদিংজম সিল্কি চনু, নোংমাইথেম প্রিয়াসশনি, রিজনেল কোলেজতগী হিদম লিয়া চনু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী মানিনেনি।

রিজাভ প্লেয়র ওইনা রিজনেল কোলেজগী নিংঙোম্বম মিল্কিনি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ৫গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা এম য়ুদা লৈবা ডা. কমল ইন্দার হোলদা কোচিংগীদমক ফুল কিটসকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুগী ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## হাফ মরাথোন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ২শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱীককা মরী লৈন্না তুগেদর ফোর ৱাইল্ডলাইফ হায়বা থিমদা মীওই ৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা 'হাল্ফ মরাথোন' পাঙথোকখ্রে।

হাল্ফ মরাথোন অসি আই এফ এস ফোরেষ্ট টি-১। ৱাইল্ডলাইফ এল জয়কুমারনা লম্বোইখোংনাংখোং লম্পাক্তগী লমথারগা ফৈয়েং য়ৌরবা মতুং লম্বোইখোংনাংখোংদা পন্থুংফম ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ কনজাভেটর ওফ ফোরেষ্ট টি-২ গাইথাওলু থাইমৈ (আই এফ এস) য়াওনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈন্না এল জয়কুমারনা হায়, মীওইবগী পূন্সিদা লমলক্কী শা-উজেক য়াওদনা হিংবা য়ারোই হায়বসি খঙহন্নবা চহী খুদিংগী ৱাইল্ডলাইফ ৱীক পাঙথোক্লুনা লাক্লি। ঙসি চেল্লিবা লমজেল অসি ইচম চম্বা লমজেল ওইনা লৌদে। খোঙথাং খুদিংমক লম্লক্কী শা-উচেক্কী হায়না লৌই। ঐখোয় পুন্সিনা লম্লক্কী শা-উচেকশিংগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনমিনশি হায়খি।

## সত্যাব্রত্ত সিংহনা লৈখিদবদা এম এন সি এনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম এন সি এ)গী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বতা নত্তনা সেক্রেটরীগী থৌগায়সু পুরম্বা শৌগাইজম সত্যাব্রত্ত সিংহনা লৈখিদবদা এম এন সি এগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এম এন সি এগী ওনররি সেক্রেটরী এল গীটরঞ্জন সিংহনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবা সত্যাব্রত্ত সিংহ এসোসিয়েসন অসিগী পাওনর অমনি। মণিপুরদা ওর্গনাইজ ক্রিকেট অমা লৈনবা হোৎনবদা মহাক্না মরুওইবা থৌগায় কয়া লৌদুনা লাকখি। এসোসিয়েসন অসিগীদমক মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং অদু লাক্কদৌরিবা তুংগী মতমদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবা শৌগাইজম সত্যাব্রত্ত সিংহগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা খঙহল্লক্লি।

## এস এস য়ু কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (এস এন এস)ঃ

য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথুরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬তা এস এস য়ু শিংজমৈ কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা মেটচতা এস এস য়ু শিংজমৈ কাংখুৎনা এল এস কে কাংখুৎবু পাঞ্জল ১৮-১৬দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এস এস য়ু কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফতা ৮ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা এল এস কে না অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল ৮ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ স্কোর তৌখি।

*মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬:*

## সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩, (এস এন এস)ঃ

মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মাও ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নদুনা এ এফ এ টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোল্লগা চথুরিবা মাও ষ্টুদেন্টস মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ মপুং ফাখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল ওইনা সোং সোং অমসুং তোবুমাইনা হয়েং অয়ুক পুং ১১তাবদা শান্নরগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবদা চোৱাইনু অমসুং পুদুনামৈনা শান্নরগনি।

ঙসি অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদা সোং সোং না মাখেলবু গোল ৪-৩দা মায়থিবা পীখি। মায় পাল্লবা সোং সোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ এল কাইসিনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৫, জর্সি নম্বর ১১ টিঐচ অদাজিওনা ৭শুবা মিনিটতা অদুগা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ এ কাথেদরিনা মেটচকী ২৯শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি।

মায়থিরবা মাখেলগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২০ অথিখো অসুহরিনা মেটচকী ৩৬শুবা অমদি জর্সি নম্বর ১৫ দাইখো খোলিনা মেটচকী ৫৩শুবা অমসুং ৬৮শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মাখেলগী জর্সি নম্বর ২৯ দাইলি পোবভিনা, জর্সি নম্বর ১০ হেনি ইলোজিও অমদি টিম কোচ অদানৈলো অমদি সোং সোংগী জর্সি নম্বর ৬ টিঐচ চিথুয়িওদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা তোবুমাইনা মাখন সেন্তরবু গোল ৩-১দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাল্লবা তোবুমাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ কাথেপরিনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ২, ৫ অমসুং ৯০ প্লস ৪ চৎপদা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা মায়থিরবা মাখন সেন্তরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ কিখোলুনা মেটচকী ২০শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা মাখন সেন্তরগী জর্সি নম্বর থোহলিদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা চোৱাইনুনা শাজৌবা এফ সিবু পেনাল্টি সুট আউটতা গোল ৫-৩দা মায়থিবা পীখি। শান্নখিবা মেটচ অসি টিম অনীমক্না মেটচকী অপীবা মতম লোয়বা ফাওবা গোল ১-১দা মান্না লৈবদগী পেনাল্টি সুট আউটনা লাইবক লেপ্পবা তাখি।

অপিবা মতমদা চনখিবা চোৱাইনুগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৮ সানিনা মেটচকী ২৮শুবা অমদি শাজৌবাগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ অদাজিওনা মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা চোৱাইনুগী জর্সি নম্বর ৬ জিললোনি অমদি দানৈলদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা পুদুনামৈনা সিঐচ খুল্লেনবু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাল্লবা পুদুনামৈগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৬ ইষ্টিজিওনা ৩শুবা, জর্সি নম্বর ২০ অশুজিওনা ৩৪শুবা, জর্সি নম্বর ১৬ অথিওনা ৪৬শুবা, জর্সি নম্বর ৮ খোজিখোনা মেটচকী ৬৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২১ ইলোহরিনা মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা অমমম চনখি।

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN IMPHAL
ꯁꯦꯄ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯂꯁ, ꯏꯝꯐꯥꯜ
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
1ST 96.2% JEWEL NINGTHOIJAM RAMSRISNA MISSION SCHOOL
ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X)-2026
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN
94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL
91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL
91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL
90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL
89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL
89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL
86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN
86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL
85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMSRISHNA MISSION SCHOOL
85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)-2026
XII ARTS
1ST 98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
1ST 98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL
94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL
93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL
92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL
92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL
92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL
XII SCIENCE
1ST 92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL
90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL
87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA
86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
100% PASS PERCENTAGE
Achieved the lagacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.
SUBJECT TOPPERS
100/100 POLITICAL SCIENCE THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
100/100 HISTORY SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
ADMISSION OPEN ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR
CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026
For more details please contact : 9863055737 | 7005958928 | 9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal

# মহৈরোইশিংগী খুদোল



TITLE : LOTUS
**Gracy Longjam.**
Class: I
Roll No: 12
School : Amutombi Devine Life English School





TITLE : MY COW
**Raindy Y.**
Class: II
Roll No: 33, Sec :A
School : UNACCO School





TITLE : FLOWER
**M. Lingjel**
Class: II
Roll No : 28,
School: Royel Education Centre





TITLE : THE SUNLIT ESTUARY
**Maibam Lamyanba**
Class: III
Roll No: 29
School : Amutombi Devine Life English School





TITLE :SAGE
**Kh. Rishika**
Class: IV,
Sec: B
School :Royal Education Center.





TITLE : SANGAI
**Ksh. Victor**
Class:V ,Roll No: 30
School: Royal Education Centre





TITLE : THE LAKESIDE HOMESTEAD
ANGOM ATHOIBA
Class: VII, Roll No: 39
School : URS Chanung





TITLE : SUNSET IN PARADISE
MESSI WAHENGBAM
Class: VII
Roll No: 39
School : URS Chanung





TITLE : THE COLOURS OF AUTUMN
THOMAS SAPAM
Class: IX, Roll No: 24
School : URS Chanung





TITLE : SERENADE OF THE STREAM
CHINGTHAM NINGNGAMBA
Class: IX
Roll No: 16
School : URS Chanung



Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, , RNI Registration No. 31350/ 77
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com